# “উতাংবীনা উপাল ওইবা য়াবা হৌনদে-!”

- এল ইবোমচা -

কুমজা ২০২১গী ফেব্রুৱারী ২দা ম্যান্মার লৈবাক আর্মিশিংনা কু তৌখি। কু তৌবা হেক হৌখিবগা ম্যান্মারগী দিষ্ট্রিক্ট অহুম হায়বদি - সগাইং ষ্টেট, চিন ষ্টেট অমদি মগৱে দিভিজন্দা পাঙ্গল লৈনা লালহৌরম্বা কুকি লালহৌলূপ পিপলস দিফেন্স ফোর্স (পি দি এফ) কী মথক্তা ম্যান্মার আর্মিনা অকনবা লান তাশিল্লকপদগী লৈবা ঙমদদুনা যূমলোন্নবা ইন্দিয়াগী মণিপুরদা মথ্বায় হিংননবা লালহৌবশিং য়াওনা চাওরাক্লা মীওই লাখ ৩.৫ রোম চেনশিল্লকখি। মতম অদুদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মোরেদা খুন্দাদুনা লৈরিবা মৈতৈশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী মফমদা কাঙলোন লান্না চঙশিল্লক্লিবা ম্যান্মারগী কুকি মিলিটেন্টশিং য়াওনা য়াল্লবা মীয়াম অসিবু চঙলকপদা থিংবীনবা তাঙ্কক ৩/৪ রক্তগী তাদনা হায়জখি। অদুবু মণিপুর লৈঙাক্না মতম অদুদা থৌওই-ৱাওইনা তাবীখিদে। ঙসিদি মরৈবাক মরমদমদা লৈবা য়াদ্রবা লমহেনবা কুকি মিলিটেন্টশিং অমসুং মণিপুরদা ‘সু’ চৎনরিবা কুকি লালহৌবশিংগা অমত্তা ওইনা খূৎশম্নরগা মণিপুর মচেৎ তানা থুগাইরগা ইন্দিয়া মনুংদা মৈতৈদগী লম মুল্লগা কুকিলেন্দ অমা শেম্নবা লান্দারক্লে। মতম অদুদা মোরেগী মৈতৈশিংনা হায়জখিবা ৱাফমশিংদু থবক্তা ওইনা ওন্থোক্লম্লবদি ঙসি নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংনা মৈতৈশিংদা ওনশিন্দুনা লান্দারল্লিবা অসি থোক্লমদবা য়াই। ঙসিদি কাঙলূপকী ঈরাং মানবা লান অসিনা মীওই ১৫০গী মথক্তা শিখ্রে, মীওই ৪০০গী মথক্তা অশোক অপন নংখ্রে। কাঙলূপ অনীমক্কী য়ূম লিশীং ৫গী মথক্তা মৈ থাদোকখিদুনা উৎ ওনখ্রে। মীওই লিশীং ৫০/৬০গী মথক্তা তোঙান তোঙানবা মফমদা হাংবা রিলিফ কেম্পশিংদা তাংজফম লৌদুনা লৈনরি। লমদম অসিদা হৌখিবা কুমজা ১৯৯১/৯২দা ইহান হানবা ওইনা নাগা কুকি অনীগী কাঙলূপকী লান থোকপা হৌখিবদগী অনীশুবদা মীতৈ অমসুং মীতৈ পাঙল, অহুমশুবদা কুকি অমসুং পাইতে অনীগী কাঙলূপকী লান থোকখি। অসুম্না কাঙলূপকী লান অহুমসিদা মীওই কয়াগী পুন্সি অমসুং লন থুম অমসুং য়ূম কৈ কয়া অমাঙ অতা থোকখি। মসিগী মতুংদা হন্দক্তা মে ৩, ২০২৩, য়ূমশকৈশা নুমিৎসিদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা ইপিসেন্টর ওইরদুনা মীতৈ অমসুং কুকি অনীগী মরক্তা কাঙলূপকী ঈরাং মানবা অচৌবা লাঞ্জাও অমা থোক্লক্লিবা অসিনি।

হন্দক্কী লান অসি ইচম চম্বা লান অমা নত্তে, য়াম্না তমথীবা অমসুং শাথীবা লান অমনি হায়বসি মালেমগী লৈবাক পূম্নমক্না খঙলে। ঈরাং অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টসু খঙবনা লান হৌবা নোংঙানবদা সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি ফোর্সেস ময়াম অমা অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং হায়বা খাক্তবমখৈ এয়র লিফ্ট তৌদুনা থোমজিনবা হৌরকখি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী থবক থৌরম খুদিংমক সেন্টর গভর্ণমেন্টনা পায়শিনখিবা ওইনা সী আর পি এফকী হান্নগী দি জি পি ওইরম্বা কুলদিপ সিংহবু ষ্টেট অসিগী সিক্যুরিটি এদভাইজর অমা ওইনা হাপ্লকখি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টগী দি জি পি, চীফ সেক্রেটরি লৌথোক্লগা মখূৎ চাগদবা মীওই মথং মথং সেন্টরনা হাপ্লকই। অদুবু লান অসি লেপখিবদি লায়রদনা নোংমা নোংমগী শাথীবা হেঞ্জিল্লকখি। মরু ওইনা ত্রাইপর্টাইট সুদা লৈরিবা কুকি মিলিটেন্টশিংবু লাকশিন্দুনা থম্বা ঙমদে। মীতৈশিংদা নোংমৈ কাপশিনবা, মীতৈশিংগী য়ূম মৈ থারিবশিং কুকি মিলিটেন্টশিংননি খঙলবসু মখোয়দা এক্সন অমত্তা লৌখৎপা ঙমদে, মখোয় ফ্রী থাদোক্তুনা থম্বগুম্না থম্মী।

লান তৌবা হায়বসিদা লান্দারল্লিবা মীওইদগী লান ঙাকথোক্লবা হোৎনবা মীওইশিংনা হেন্না ৱাবা হেল্লি। মরু ওইনা লান্দা হকথেংনরিবা অৱাফমদা তারিবা মীওইশিংনা অমুক্কা হেন্না ৱাবা হেল্লি। চেল্লগে চেলঙমদা হিংননবা হোৎনবদা থৱায় নিক-নিক লাওনা খাংনৈ। জ্ঞান লৌশিং করিমত্তা ৱাত্তনা হিংলিবী মশা ৱাই শংদ্রবী নুপী, কুম লায়নানা নাদুনা লৈরবা মশা শোল্লবা মীওইশিং অমসুং পীল্লিবা অঙাং নৱাশিংসু ৱাবদা য়াওরি।

অশেংবদি হন্দক্কী লান অসি কাঙলূপ ফুরুপকী লান নত্তে, মণিপুর মচেৎ তানা থুগাইবা পাম্বা কাঙবু অমদি মণিপুর মচেৎ তানা কাইদনবা হোৎনবা কাঙবু অনীগী লাননি। ময়েক্কী হায়রুরবদি জ্ঞান তানরবদি অসি য়ৌনা য়াম্না শাথীবা, তমথীবা লান ওইফম থোক্তবনি। অদুবু লান অসি ইথা থাজদনা অয়ৌবা থাক্তা শাথীখ্রে, থৱায় থাদোক্লবদা পাম্মুদবা লান ওইখ্রে।

মৈতৈনা চপ য়ুংনা লেপ্লিবনা চীংলোন মাপন্না কোইশিল্লিবা লমদম অসি ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা মশাগী ইখেংনা শেল্লম্বনি। মরম অসিনা মণিপুর মচেৎ তানা থুগাইবা য়ারোই, তৌবতবু শৈদাংলবা ওইরসু নুংশি চান্নবা পূন্না হিংমিন্নসি হায়রবদি লৈমিন্নসি হায়বনি। অদুগা কুকিশিংনা হায়রিবনা মখোয়না লৈরি লৈরিবা চীংগী মফম খুদিংমক মখোয়গী মপা-মপুশিংদুনা মখোয়গীদমক থল্লম্বা লম (এন্সেষ্ট্রেল লেন্দ) নি। মরম অদুনা মখোয়না লৈনরিবা চীংগী লম অসিদা মখোয়না তৌনীংবা অমা তৌবদা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ওইরবসু নৎত্রগা কনাগুম্বা কাঙলূপ ফুরুপ অমত্তনা অয়েৎ অপন পীরকপদা য়াবা ঙল্লোই হায়বনি। ম্যান্মারদা পোপি থাবদা হৈশিংলবা কুকি মিলিটেন্টশিং অমসুং মণিপুরদা ‘সু’ চৎনরিবা কুকিশিংগা মান্নরগা পোপি পান্বী চবাক-চবাক থাবদগী মদুদগী ফংলকপা কা হেনবা শেন্দোংদুনা ইম্ফাল সহরগী ফুরা দলান কয়া মখোয়গী খূৎশিংদা তাখ্রে অমসুং মণিপুরগী মেন রোদ ময়াগী লৌবুকশিং নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংগী মখূৎতা তাখ্রবনি।

ফীভম অসি হৌজিক পাল্লিবা এন বিরেনগী গভর্ণমেন্ট অসিনা ৱার ওন দ্রগসকী খোঙজং চঙশিনবা হৌরকপদগী কুকি মিলিটেন্টশিংগী থম্মোয়দা তিং শোক্লা শাওখিবদগী ওইহল্লকপনি। গভর্ণমেন্টনা মণিপুর পুলিস থাজিন্দুনা পোপি পান্বী কয়া মাঙহন তাকহল্লুবা, রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়া কন্ননবা হোৎনরুবা, পোপি পান্বী থাবদা শীজিন্নবা লৌতাংশঙশিং শিদোক্লুবদা থম্মোয় প্রোক-প্রোক চাক্লা খাঙখি। তাঞ্জা চাবদা এন বিরেন হাৎকে হায়না লুমদুনা লৈরে হায়নখি। পোপি পান্বীদা খূৎলায় থাদুনা ককথৎলুবা, য়াম্থৎলুবদা মখোয় মশাদা চৈনা ফাওবনা শাওবদা লুতোন কাখি। পোপি পান্বীশিং থাবা অদুগা কানি শুংবা অমদি হিরোইন পাওদর শুংলগা মদুদগী কারকপা শেঞ্জাও ময়ামদুগী মহাও খঙলবা নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিং মনা পায়বা য়াদবমখৈ মৈ হৌনা শাওরকখি। চীফ মিনিষ্টর অসি মীতৈ মচা অমা ওইবনা মীতৈ পূম্নমক য়েক্লবা ওইনা উবা হৌরকই। মীতৈগী মথক্তা অকনবা লান তানীংলকখি। মীতৈ লৈরিবমখৈ পোপি পান্বী থাবা য়াররোই খন্নখিদুনা মীতৈ তুম্ননবা হাৎলগে তেমশিংনবা হৌরকখি। অদুবু মীতৈ হাৎনবা পান্থৈ থিবদা য়াম্না ৱানা থোকখি। পান্থৈ অমা তৌরগা মখোয়না মপূং ওইনা খুন্দারিবা মফম খুদিংমক্তা মীতোপ কনা চংহন্দনা মনীং মখা তম্না পোপি পান্বী থানবা লম্বী থিবা হৌরকখি। খনবা য়াবা খল্লবা তুংদা ফোরেষ্ট লেন্দগী রেকোর্দ কয়ামা থল্লিবা ফোরেষ্ট ওফিস মৈনা তুম্না থাদোকপনা ইহান হানবা পান্দম থল্লগা মৈ থাবা হৌরকখিবনি। মদুগী মতুং তারকপদা পোপি পান্বী থাবদুদা শেঞ্জাও থাদদুনা স্যের য়াওরিবা অমসুং নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংগী মতেংদগী কুকি মীওই তরা ভোট কারক্তুনা এম এল এ ওইরবা তুংদা মিনিষ্টর ওইরে অদুগা মখোয় তরানা কম্মান্দর ওইরদুনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তাল্লকখিবনি। মতাং অসিদা নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংদা হংনীংলিবা ৱাহংদি- নখোয়গী নপা-নপুশিংগী হৌরকফম লৈবাক কদাইদনো? চাইনাদগীরা? ইন্দোনেসিয়াদগীরা/ ইজরেলদগীরা? বর্ম্মা (ম্যান্মার) দগীরা? জিয়ুশিংগী মাঙখ্রবা ত্রাইব অমরা? নৎত্রগনা বর্ম্মা (ম্যান্মার) না য়োকপীরকপা টিবেটো বর্ম্মনলা? নীংশিংবা য়াবদি ৱাহংশিং অসিগী অশেংবা পাউখুম পীননবা রিসর্সশিংনা চিন-কুকিগী হৌরকফম থিগৎলুবদা ফংবা ঙমখিদ্রবনি। মরম অসিনা ময়ূম মকৈ লৈতবা বর্ম্মাদগী হৌরকখিবা চিন-কুকিশিংনা ইন্দিয়া মণিপুরবু মচেৎ তাহল্লগা কুকিলেন্দ অমা শেমগনি হায়না মঙলিবা মঙ অসিবু মঙফম থোকপ্রা? হায়বসিনি। অমবু ওইরে অমবু ওইরে কুকিশিংনা নীংশিংগদবদি নখোয়না মণিপুরগী লৈমায়দা মরেক মহাও থোক্লা নুংঙাইনা হিংলিবসি শৈদাংলদুনা লৈরগনি। মরম অসিনা কুকিলেন্দ কৌবা লমদম অমা শেমগে হায়বগী মঙলান অদু থাদোকউ ‘উতাংবীনা উপাল ওইবা য়াবা হৌনদে-!’ ওইথোক্তবনি। ●

# ‘থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংদা অঙাংবা লৈ খুজোক-খুজোক’

- মোইরাংথেম নবকিশ্বর-

থাবুম তরা নাওপুদুনা ৱানা য়োকচরকখিবা ইচাশিংগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংশিংদা, ইচাশিংগী আত্মা শান্তিগীদমক কয়াম কুইনা অঙাংবা লৈ খুজোক-খুজোক নুমিৎ কয়ানি কৎখিগদগে মমা ওইবী লিশীং লিশীংনা সনা সরক য়াংবীথকসিদা? অদুসু মালেমগী অনীশুবা গোল্ডেন ত্রাইএঙ্গল অমগী মঙ মঙজরিবা ম্যান্মারদগী লাকপা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগী মখূৎতা সনা লৈবাক মণিপুরদনা থা অহুম শুজিল্লক্লিবা কুকি টেররিষ্টশিংগী লান। ঙসিসু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কুম্মৈ য়েংবগুম য়েংলি। কুকিশিংগী অপাম্বগী মায়োক্তা লেপ্লিবা মীতৈশিংগী মথক্তা হৌরিবা কুকিগী লানসিদা।

কুকিশিংগী দিমান্দ মীতৈশিংনা পীগদ্রা? ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তানগদবা দিমান্দ মীতৈ ইরৈচা কয়া হাৎলগা, য়ূম কয়া মৈ থারগা মখোয়গী দিমান্দ ফংগদৌরি? অমরোমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মীতৈ ফুরুপ কয়া কুকি টেররিষ্টশিংগী দিমান্দ ফংনবা হাৎহনখিগদৌরি অমদি হিংনা হিংনা ফাহনখিগদৌরি? মিষ্টর মোদিজি নহাক লৈবাকসিগী মপি-মপানি, নঙোন্দা ৱাকৎচরি - মণিপুরদা থোক্লিবা লানসি খাম্বীয়ু। নহাক্লা ৱাহৈ অমত্তং হায়বদা কুকি টেররিষ্টশিংগী লান খুদক্তা লেপখিগনি। কুকি টেররিষ্টশিং অদোম্না চাকথাক হুন্দুনা সু থম্নদুনা য়োক্লিবনি।

লানলক্তা নুপী ওইবীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবগী থৌদোক্তু অদোমগী দবল ইঞ্জিনগী লৈঙাক্কী মখাদা থোকখিবনি। অদোমগী অশোয়বদু নশানা য়াজগদবনি। লাইবক থীবা থৌদোক্তুগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। মরাল লৈবশিং আইনগী চৈরাক ফংজসনু। অদুবু লান মরক্তদি থোকহৈ-উহৈদবা থৌদোক কয়া থোক্লকখিগনি। অদুনবু লান খামজিনবীয়ু হায়জরিবসিনি। অসিগুম্বা কাঙলূপকী লান শুকথোক থোক্তবা চাওখৎলে হায়দুনা ঙকচাও থেকচরিবা লৈবাক অসিনা লৈবাকসিগী কোনুং দেল্লীদা অথৌবা বস/গাড়ী অমগী মনুংদা নুপীমচা অমবু নুপা ৬/৭ চংদুনা শরাক তমলগা ওৎপা য়াবা ওৎলবা মতুংদা বসতগী ইন্থরগা হাৎখিবা মীহাৎ অদুগুম্না থোকখ্রিবা থৌদোক অদুগা চাংদম্নহন্দুনা মণিপুরী ফুরুপ/মীতৈ ফুরুপ্পু মালেমগী মমাঙদা ঈজৎ লৈখা তাহন্নবা হোৎনবদুদি থা ৩ শুজিল্লক্লবা লানসিদা মোদিজিনা ৱা মচেৎ অমত্তা ঙাঙদনা লান থৌজিন্দুনা লাকখ্রগা অদোম নশাগী অশোয়বদি য়েংদনা অচেংবা তাঞ্জা য়েংদুনা ফজখ্রবা মীতৈ খুন্নাইগী নুপী ওইবীশিংবু অৱাংবা থাক্তা থাংগৎচরিবা ফুরুপ অমবু অদোম্না লৈঙাকপা হৈজদ্রগা দেল্লীদা লৈবা শাহিং-ঙাহিং চাবা ফুরুপশিং অদুগা চাংদম্নদুনা মীতৈশিংগী ঈজৎ মালেমগী মমাঙদা খোঙ্গোইনবদি মীতৈশিং ইন্দিয়ন সিটিজন ওইরিবরা ঐখোয় ঙসি হায়দুনা খল্লকলোইদবগী মরম লৈতে। লৈঙাকপা হৈজদ্রগা মীতৈ ফুরুপকী ঈজৎ মালেমগী মমাঙদা য়োম্থোক্নু। মে ৪দা থোকখিবা ঈজৎ খোঙ্গোয়নবগী থৌদোক্তু ভিক্টিমশিংনা মে ১৮দা মরী লৈনবশিংদা কমপ্লেন্ট তৌখ্রে হায়রি। তৌদ্রবসু মতম চানা সু মোটো কেস লৌখৎতুনা এফ আই আর চন্দুনা কেস লৌখৎলগা মরাল লৈবশিং মতম চানা আইনগী ওইবা চৈরাক ফংহনদ্রিবা করিগীনো? মদু হোম দিপার্টমেন্টকী মথৌ নত্তবরা? করিগী থা অনীবু তূমদুনা লৈরি। লৈঙাকপা হৈত্রবদি লৈঙাক ফম থাদোকউ। লানসি হৌখিবা থা কয়া হায়খ্রে খঙদবরা? করিদগী লান হৌরকখি খঙদরা? নার্কো টেররিষ্টশিংগী মতেং লৌরগা নম্ফুদা ভোট থাদহল্লগা লৈঙাক পায়গনি হায়বখক্তা মখঙবা, লৈবাক ঙাকপদি হৈত্রগা করিগী মীতৈ ফুরুপকী ঈজৎ মালেমগী মমাঙদা খোঙ্গোইনবা য়াব্রা? ইরমদমসিগী শান্নরোয় কয়ানা লৈবাকসিগী মীংচৎ উরোং মশীং খঙদনা পুরকখ্রবা মীতৈ ফুরুপ্পু খাঙুথক্তা লান খামজিনবীদবদগী লান মরক্তা থোকপা লাইবক থীবা থৌদোক অমদা য়ূম্ফম ওইরগা মীতৈ ফুরুপকী ঈজৎ পূম্বা লৈখা তাহন্নবা থৌরাংবদনা মণিপুরীশিং ইন্দিয়াগী সিটিজেননি খলহনবা ঙমগদৌরিবরা? লান মরক্তদি থোকহন্নীংদবা থৌদোক, থোকহৈদবা/উহৈদবা অদুসু কাঙলূপকী লান্দদি মশীং খঙদনা থোক্কনি। ইন্দিয়াগী কোনুং দেল্লীদা লৈবা ফুরুপশিং অদুগুম্না মীতৈ ফুরুপশিংনা হিংচা-য়াইতম্বগী থবক্তুমক্তি চৎখিদেনা। ভিক্টিম মশানদি হায়জরিদনা মখোয়বু রেপ তৌখিবা লৈতে হায়দুনা। কুকিশিংনা মৈতৈ চনুরা কয়াগী ঈজৎ খোঙ্গোয়নবিখ্রে খঙদবরা? হিংনা হিংনা ফুমখিবা মীতৈ ফুরুপ কয়া য়ামখ্রে খঙদবরা? মীতৈশিং হিংনা হিংনা মৈ থাদুনা হাৎখ্রিবদুদি খঙবরা?

মীতৈশিংনা হায়বনা পূন্না হিংমিন্নসি হায়বনি। ফৎত্রবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক পোপি প্লান্টেসন মূখৎসি হায়বনি। মালেমগী হোংলক্লিবা অঙ্গং অশাগী খল কায়হন্দনা থম্লবা উমং কোকথোকপা থিংমিন্নসি হায়বনি। রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াদা উ-ৱা য়াম্থৎলগা য়ূম-কৈ শাজিনগুমসি হায়বনি। মহৌশাগী খূৎশেমগী ফজবতনা লৈতেংলবা ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবিরম্বা পন্দিট জৱাহরলাল নেহরুনা হায়বীরম্বা - ‘মণিপুরদি মালেমগী অনীশুবা স্বিটজরলেন্দনি’, নুংশিখ্রবা ইমা লৈবাক ইরৈবাক মণিপুর নীংথিজরবা লৈকোলসিদা লৈরাং শুনা শাৎপা লৈকোলগুম ঐখোয় কাঙলূপ ফুরুপ ৩৪/৩৫না পূন্না খুন্দামিন্নদুনা হিংমিন্নসি হায়বনি। মসিদা য়াদদুনা ঐখোয়গীদি য়ারোই কুকিশিং খক্তগী ওইবা তোঙানবা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন অমা পীদবা য়ারোই অদুগা ইনিং তম্না চীংমায়শিংদা উমং কোকথোক্লগা পোপি পান্বী থাদুনা নম্বর ফোর শুংদুনা ঐখোয় খক্তনা ক্রোরপতি ওইগনি, ফুরুপ কয়া অমা তুম্না মাঙখিবা/মুৎখিবা ঐখোয় খঙদে হায়বা কুকি টেররিষ্টশিংগা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লৌতুনরগা থাজিল্লকখিবা ইন্দিয়ন সিক্যুরিটি ফোর্স লিশীং লিশীংনা কুকি টেররিষ্টশিংদা ঙাক্লৈ পীহন্দুনা মীতৈ ফুরুপশিংবু নোংম-নোংমগী বোকক্কী চাকথাক পীবগুম থাবুম তরা নাওপুরগা ৱানা মী ওইনবা হায়দুনা য়োকচরকখিবা মচাশিংগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংদা মমা ওইবী কয়ানা নুংতি নুমিৎ খুদিংগী নীংঙমদবা মীৎকী পিগা লোয়ননা লৈ অঙাংবা খুজোক খুজোক কৎতুনা লাইরমলেন্দা ইচাশিংগী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লৈজরুনবা লৈ কৎনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থৌরাংবীবা ওইরবদি ইরৈচাশা ঐখোয়বু তেক্তা কায়দনা ঙাকপী শেনবীবা ঙমগদবা, পুন্সি চূপ্পা ঈং-চিক্লা হিংবা ঙমগদবা, ঐখোয়গী ইমা-ইপা শকপা লৈঙাক অমা থিবা চুমদ্রিবরা? কাঙলূপ-ফুরুপ, শক-চু মান্নবা, শাজৎসু মান্নবা।

চহী কয়াগী মমাঙদা মতম অমদা ঐখোয়না তাখি, চাইনাদা ওপিয়ম ৱার তৌখি- বৃটিসশিংনা। চাইনা ৱানা হিংখি কানিগী ময়াইনা হামচৎ-হাম্ফোইননা। ঙসিদি মীকপ থোকখ্রে, মালেমদা অনীশুবা চাওখৎপদা লম্বা লৈতনা মালেমদা ঙাম্থোইরিবা মালেমগী সুপর পাৱর ওইনবা লমজেলসু কন্না য়াওরি। মীপূম খুদিংমক কন্না শু-নোল্লি। পুং ২৪ লৈবা নোংমগী নুমিৎতা পুং ২৪ মক থবক শুরি লৈবাক্তুগী সাসননা, মী হোং হোংদুনা রুটিন নাই-নাইদুনা। থবক শুদবা মী অমত্তা লৈবাক্তুদা লৈবা য়াদে। ময়াই কাবা চিঞ্জাকতি? চহী কয়া দিকেদ কয়া ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ঈপাক্তা লুপ্লবদগী হৌগৎ কাংখৎপা ঙমদনা লৈরকপদুনা ঙসিদি পড়া ফাখ্রদুনা লৈরিবা লৈঙাক্তুনা দ্রগকী কেসতা চেন্নবা মীপূম খুদিংমক হেক ফাবগা খুদক্তা ফাঁসি তৌদুনা হাৎলি হায়। লৈবাক্তুগী লোনা অয়াবা পীদুনা। অদুগুম্বা লৈবাক্তু ফাওবদং চৎপা ঙম্বা কনা লৈবগে ইরৈচাশা? ইরৈচাশিংবু কনবীনবা মতেং নিরুবা ঙম্বা? কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংবু মরূ ফংনা ফারগা ফাঁসি তৌদুনা হাৎতোকহনবা ঙম্বা? ঐখোয়বু ঙাকপী-শেনবীবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঙমদ্রবনিনা ঐখোয়গী পুন্সি ঙাকপী শেনবীবা ঙমগদবা ইমা ইপা শকপা লৈঙাক অমা ঐখোয় থিবা চুমদ্রিবরা হায়দুনা মীয়াম অমনা মচি মচিদা, লৈরক্তা খুল্লক্তা, হোটেলদা, কৈথেলদা, চীংয়া তময়াগী হাঙলবা লৌবুক লম্ফাংশিংদা অমগা অমগা ওনশিন্নদুনা মুরুম-মুরুম শোন্নদুনা ঙাঙনরল্লিবসিবু মোদিজি অদোমগী ৱা ঙাঙথোক্তবা থৌশিলসিনরা? থৱায় য়াওদ্রবা মচাশিংগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং মথক্তা মীৎকী পিগা ইরোয়ননা অঙাংবা লৈ খুজোক খুজোক কৎপসু নোংমতা লেপ্তে মমা ওইবী লিশীং লিশীংনা। ●

# মণিপুরসি ময়াম লৌতুনদুনা মূখৎলগদৌরবরা! শ্রী বিরেন অমদি ইমা ইবেল নত্তনা পান্থৈ লৈররোই -১

- ডা. অকোইসনা -

থা অহুম ফাজিল্লক্কদৌরে হাৎন-শুনরকপা। হৌজিক্তি লোইনা হায়দোক্নরক্লে। মৈরিকপীদগী মৈজাওবী ওনখ্রে। ঙল্লিঙৈ মতমদা ঐনা ইজখি - লানফম অসি অন্তরজাতিগী অৱাংবা থাক্কী লৌতুনবা লাননি, ইন্দিয়াগী মথক্তা হৌবা লাননি, লানফম্না মণিপুরগী খা-নোংচুপকী চীংমাই অমদি চীংশাংশিংদা ওইবনি হায়না।

লানফম অসি চিন-কুকি, জৌ, পাইতে, চোথে কয়া বৃটিশনা পুরল্লবা মতুংদা কুকিশিংগী পূক্লিং ৱাখল শুপ্পাই পায়শিনখ্রগা অমুক কুকিশিংগী হৈথোই শিংথোইরবা আই পি এস, আই এ এস, স্কোলর, প্রোফেসর কয়া লৌতুনদুনা মখোয়গী মকোক্তা লালহৌ ৱাখল ইনোৎ হাপচিনখ্রগা মণিপুরগী লৈঙাক পুরেলশিংগী ৱাখলশিংবু উশিত্তদুনা খোঙ্গোইনরম্লগা ইন্দিয়াদা দিমান্দ তৌবনি। মণিপুরগী চীংমাইদগী অমদি লৈহাওদগী দ্রগ লোর্দশিংনা ফংলকপা শেল-থুমগী শক্তি কয়ানা ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংদা মণিপুরগী লৈঙাকপশিং কাম্থোক্লগা ইন্টরনেসনল টেররিষ্ট ৱারনা মণিপুর থুগাইগে হোৎনবনি।

থুগাইনবা লানফম অমা শেম্লকপসি চৎলিবা চহীসিগী এপ্রিল ২৭তা কোংগ্রেসকী মতমদগী মণিপুরগী অৱাংবা থাক্কী আই পি এস ওফিসর অমগী ভিদিও ক্লিপতগী উবা-তাবা ফংই। ভিদিও অদুদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর অমনা শঙ্গাগদবা জিম অমা কুকি লালহৌবশিং অমদি লান্না তৌবশিংনা মৈ থাদোকখিবগী ৱারী শারকপশিংদুনা মণিপুরগী মীয়াম পূম্নমক্তা সাইকোলোজিকেল ওইবা পূক্লিং হকচাং শোন্থহনখি। মৈ থাখিবা ৱাফম অদু উমং-ৱামং কোকথোকপনচিংবগা মরী লৈনহনখি। আই পি এস ওফিসর হৌজিক্লা লৈঙাক্তা য়াওখ্রবসিনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ফোরেষ্ট অমদি ইনভাইরোনমেন্ট উন্নদুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা লৈঙাক অমগী ৱারেপ্তা মণিপুর মীয়াম্না তেংবাঙদুনা চথরল্লিবা থৌওংদু য়ানীংদবা ভিদিও ক্লিপ অমসু উবা ফংখি। কান্নদনা য়ুনিয়ন ফোরেষ্ট অমসুং ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর অদু মণিপুরদা লাক্তুনা চীফ মিনিষ্টরগা ৱারী শান্নখি। মহয়দি খঙবা ঙমখিদে। অথুবদা শঙ্গাগদবা বিল্ডিংগী মৈ থাবা মীওইশিং বি জে পিগী শক্লাইরবা মীওই অমনা থাদোকহনখিবগী পাউ তাবা ফংনখি। মে ৩দা করিগুম্বা অমদা হায়জিল্লগা এ কে ৪৭ পায়বা টেররিষ্ট কয়াগা লোয়ননা চুড়াচান্দপুর মৈ চাল্লকখি। মে ৩গী অয়ূক পুং ৯.৩০দা মোরেদা রেল্লি হৌরবসু অয়ূক পুং ১১দা চুড়াচান্দপুরদা হৌখি। পুং ১১.২৬তা চুড়াচান্দপুরগী বুংজেল ফোরেষ্ট বীট ওফিস কুকিশিংনা মৈ থাখি, পুং ১১.৪৯দা মীতৈ দ্রাইভর অমা তমথীনা ফূবীখি, পুং ১.৩০দা কলচরেল ফেষ্টিবেল হুনস গেট চীফ মিনিষ্টর বিরেনগী মীতমগা লোয়ননা মৈ থাখি, পুং ২.১৫দা এঙলো কুকি ৱার সেন্টিনরি গেট লৈশাং মৈ থাদোকখি, নুংথিল পুং ৩দা তোর্বুংদগী মীতৈ অহল অমা কাংভাই খুলদগী ফাখিবগী পাউ ফংনখি। পুং ৩.৩২দা জুলজাং অমদি তোর্বুংদা অরানবা তৌবশিং লোইনমক পুল্লখি অমদি পুং ৩.৪৩দা মণিপুর পুলিসকা অকনবা মওংদা মায়োক্নরবা তুংদা কুকি টেররিষ্টশিংনা খুদুম চনখিদুনা পুং ৪.১১দা খূৎলায় পায়বা ময়াম্না তোর্বুংগী মীতৈশিং ফূবতা নত্তনা শারমচৎকী ৱাংমদা য়ূম, ত্রক, কারশিং ঙম্নমক মৈ থাদোকপীখি। পুং ৪.১৯দা কুকি টেররিষ্টশিংনা তৌখিবা থবকশিং সোসল মীদিয়াদা থাগৎকনু হায়না লাওথোকখি। নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৩৬তা মীতৈগী য়ূম মৈ থাবশিং ভিদিও থাদোরকখি। পুং ৫.৪৮দা এ কে ৪৭ পায়বা কুকি টেররিষ্টশিংনা তোর্বুং অমুক হন্না কোয়শিন্দুনা থমখি অদুগা খুদোংথীবদা তাহনখি। পুং ৫.৫৪দা মোরেদা মণিপুরগী হান্নগী নিংথৌ নরসিংহগী মীতম মৈ থাখি। হায়রিবা নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৫৮দা এ কে ৪৭ পায়বা কুকি লালহৌবশিংনা সরক ময়ায়দা পুলিসকী গাড়ীশিং মৈ থাদোকখি। পুং ৬.১১দা মীতৈশিং শাওবা হৌরকখি অমদি ন্যু চেক্কোন্দা থুংবা হৌনরকখি। কুকি ইচিল ইনাওশিংনা অসুক তমথীবা থবকসি করম্না, করিগী থোকহনখিবনো, নখোয়গী নীংবা থুংদ্রবা ৱারী ৱাতাই শান্ননবা নখোয়গী এ সীশিংগী মীহুৎ লৈত্রবরা, অদুগা মখোয় অসুক য়াম্না মণিপুর লৈঙাক্লা ৱারী শান্নবদা মায়োক্নদ্রিবা করিগীনো? মসিনা তাক্লিবদি অরানবা তৌবশিংনা অচুম্বগী মাঙদা লেপ্পা ঙমদবগী খুদম চাংদম (প্রমান) নি।

মীতৈশিংনা চীংগী ইচিল ইনাওশিংবু মতম কুইনগী মমাঙদগী নুংশিননবা হোৎনরক্লি। অদুবু মতম কুইনদগী মমাঙদগী নুংশিনবসি থদৎননবা কুকিশিংনা নাগাশিংদা অমদি মৈতৈশিংদা হোৎনদুনা লাকই। ৱাফমশিং অসি হান্নগী চীফ মিনিষ্টরশিংনা খঙলবসু হায়দোক্তে। হৌজিক্কী চীফ মিনিষ্টর চীংদা ইখঙ খঙহৌদনা খুঙ্গং অমদি মীশিং হেনগৎলকপা, উমং কোকথোক্লকপা ঙাক্নদবা উমং ঙাক্লক্তবা, থারোইদবা পান্বী কয়া থারকপশিং অসিনা মণিপুর লৈঙাক অমা লৈনা লৈনা মখোয়গী অরোনবা ৱাফমশিং লৌথোকপা য়াবরা হায়দুনা হোৎনরকপগী মমি তাই।

মণিপুর থুগাইনবা হোৎনরকপসি মণিপুর চীং তম খায়দোকপননি। মসি অংগ্রেজশিংগী মতমদা মণিপুরগী নিংথৌশিংনা মপাঙ্গল শোনখিবদগীনি। অংগ্রেজশিংনা কুকিশিং পুরকখিবনি। মসি মখোয়নসু হায়বদি ৱর্ল্ড কুকি জো ইন্টলেকচুএল কাউন্সিলনসু য়াজৈ মদুদি কুমজা ১৮০০দগী হৌরদুনা বৃটিশনা ইন্দিয়া থাদোকত্রিফাওবা বৃটিশতা খাজনা থিরম্মী হায়না। অসিগুম্বা ঙরাংগী কাউন্সিল অসিনা মণিপুরগী লীরবা পুৱারী করম্না খঙগদগে। হায়রিবা কুমজা ১৮০০গী মমাঙদা মণিপুরগী মহারাজদা খাজনা কারম্বা অদুদি মখোয়না খঙবা ঙমদে। মণিপুরদা কুমজা ১৯৯২-৯৩দা কুকিশিংনা নাগাশিংগা লান্থেংনৈ, কুমজা ১৯৯৭-৯৮দা কুকিগা পাইতেগা লান থেংনৈ, কুমজা ২০০৯-২০১০দা কুকিনা কারবীগা লান্থেংনৈ, কুমজা ২০১১দা কুকিনা দিমাসাগা লান থেংনৈ, কুমজা ২০২৩দা কুকিনা মীতৈগা লান থেংনৈ। মখোয়দি কুমজা ১৮০০দগী মণিপুরদা খুন্দাখিবনি হায়রবদি মখোয়সি য়েলহৌমী ওইরিবরা? মসিগী মমাঙদা ইচিল ইনাও মীতৈশিংগী ইয়াম্বা ওইদুনা লাক্লবা মীতৈ অমদি নাগাশিংবু য়েলহৌমীনি হায়না মখোয়না লৌবা ঙমদ্রে। অস্বাইদা কুকিশিংগী অরানবনি। বৃটিশকা মণিপুরগী নিংথৌশিংগা য়ান্নবা অমগী মখাদা কুকিশিং খুন্দাখিবনি হায়বসিদি কাউরে। মণিপুরগী নিংথৌশিংনা অমদি মমাঙগী চীফ মিনিষ্টরশিংনা নোংমদি শোয়রক্কনি হায়বসি মাঙজৌননা খন্থবা ঙমহৌদে। হৌজিক্কী চীফ মিনিষ্টরনা মসি উবা খঙলকপগী মমি চাওনা তাই।

কুমজা ১৯৪৭তগী বৃটিসনা মণিপুর থাদোকখ্রবা তুংদা মায়কৈ কয়াদগী মণিপুর থুগাইনবা হোৎনরকখ্রে। কুমজা ১৯৫২দা চীংগী পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা রিশাং কৈশিং (সোসলিষ্ট) কৌই। কুমজা ১৯৫৭তা আর সুইজা (আই এন সী) কৌই। কুমজা ১৯৬৭তা পাউকাই হাওকিপ (আই এন সী) কৌই। রিশাংনা কাবা মতমদা য়ু এন সী লিংখৎলি, মপাঙ্গল কনখৎহল্লি। পাউকাই হাওকিপ কাবা মতমদা কুকি নেসনল এসোসিএসন (কে এন এ) শেমগৎলি। বৃটিসনা চিংদা কুকিশিং লৈহল্লম্লবসু তমদা শ্রী এন তোম্বী (আই এন সী) কাবা মতমদা ওইখিবনা আর্টিকল ৩৭১ (সি) বু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরগা তম্পাক অমসুং চীংগী লমদম হায়না খায়দোক্লমদুনা তমগী মীবু চীংদা কাদনবা অদুগুম্বা আইন কয়া শেমজিনখিবা ওইদুনা ঙসিদি চীং তম খায়দোকপগী অচৌবা মরম অমা ওইররি। থৌদোক অসি থোকখ্রবা মতুংদা চীংদা মীতৈনা লৈবা ফংবদি লায়রদনা য়েলহৌ ইপা ইপলশিংনা ফংলম্বা পোৎ মাল চাং অমত্তা ফংখিদরে। অদুৱাইদনি কোংগ্রেসনা শোয়খিবা অমসুং চীং তম হায়না খায়দোকখিবা অসিদগী মণিপুর থুগাইনবা থৱায় মিরেন মরূ মণিপুরদা হুনখ্রে।

পাউকাই হাওকিপগী মতমদগী ঙসি ফাওবা চারোন শুরোন ময়াম অমা চঙনা মণিপুর থুগাইনবা হোৎনবগী থৌশিল থৌরাং উবদা নত্তনা মতমদুদগী হৌনা মণিপুরগী পুলিস মকোক থোংবা ওফিসর কয়া লৈঙাক্তা য়াওশিন্দুনা মণিপুর থুগাইবদা মতেং পাংশিন্নরকপগী খুদম উবা ফংনরক্লি। মখোয়না মসি হোৎনরকপগী মরমদি হৌজিক্কী লৈঙাক পুরেলশিংগী মচৎ মখোয়না মীথান্নদে, মমিৎ থুপ্তে। মসি কদায়দা উরকই - অহানবদা : ইন্দিজিনস ত্রাইবেল লিদরস ফোরম মণিপুর কৌবা অমনা সুপ্রিম কোর্টতা কেস থাঙ্গৎপদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমদি হৌজিক্কী চীফ মিনিষ্টর চেন্নহল্লি। অনীশুবদা : হৌজিক মাঙখ্রে হায়বা এফিদেভিট অমদা বি জে পিগী নেসনল লিদরশিংবু মণিপুর থুগাইবদা শরুক য়াবগুম ফোরম অসিগী লুচিংবা এম এম হাওকিপ (পাউকাই হাওকিপনা লিংখৎখিবা কে এন এগী চেয়রমেন বার্মিজগী এম পি ওইরম্লবা পি এম হাওকিপগী মনাওনুপা) না চেন্নহল্লি। অহুমশুবদা : মণিপুরগী মীতৈ মীয়ামগী থম্মোয়দা তাশোন্না থিনখিবা ৱাফমদি ‘মণিপুরগী মীতৈ/মৈতৈ ময়াম্না চীফ মিনিষ্টরগী উমং কন্ননবা, নহারোল কন্ননবা পোপি থাবা মূখৎনবা হোৎনজবদা শৌগৎপবু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা করিমত্তা খঙবীদনা অসামদা অমদি মণিপুরদা পীবা ভাষনদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অসি সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ ওইবা ৱাহৌদগীনি’ অসিনি। মদু হৌজিক্তি চীফ মিনিষ্টরনা য়াম্না কন্না হায়রে মদুদি থৌদোকসি সেদ্যুল্ড ত্রাইব তানবগা মরী লৈনদে, কম্যুনিতি অনীগী ৱাহৌনি হায়না। মদুমক্লি মীয়ামগী অপাম্বসু। সোলিদরিটি রেল্লিদা য়াওরম্বা অতৈসু লোইনা হুন্দোক্নখ্রে। মরিশুবদা : কুকি লালহৌবগী লুচিংবা লানবোই নৈহসিন্দ দেল্লীদা লৈবা অমনা মহাক্লা থাদোরকপা ভিদিও ক্লিপনা - ‘ঐখোয় চুড়াচান্দপুর, মোরে, তেংনৌপল, উখ্রুল ইপা ইপুগী লমনি। লমশিংসিদা খনি অমসুং থাওনচিংবা মরাং কায়না লৈ, মসিদগী মণিপুর লৈঙাক্লা নুংঙাইবা য়ারোই। ঐখোয়গী হোমলেন্দ ওইগদবনি, ঐখোয়না ঙাকচগদবনি, ঐখোয়না নুংঙাইজগদবনি। পোপী থাবগী মতাংদা - ‘কুকিশিংনা পোপী থাবা ঙমদে, লৈঙাক্কী মেছিনরি কয়ানা পোপি থাবগী পৈশা পুথোকই, পুথোক-পুশিন তৌবনা কাঙবু অমনি, য়োনফম্না কাঙবু অমদনি’ হায়বসি মণিপুরগী শকখঙদবা মকোক থোংবা ময়াম অমনা শান্নরিবা লীলাসি করিনো খন্থহল্লি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭১

১) **“লাই হরাউবগী ৱাখল্লোন পরীং”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
২) **“খুদোল্লে”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
৩) **“ৱাধরিং হাইটস”** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা অদু কনানো অমদি মণিপুরীদা কনানা ত্রান্সলেসন তৌবগে?
৪) **“লাইয়েকপা/য়েকলি লাইয়েকপা কনানা/মাগী মাগী কেনভাষ্টা/ফজ ফজবা লাইয়েক/ঐসু য়েক্কে কেনভাসসিদা/নীংতম্বা ইমাগী শক্তম/শান্তিতবু পামজবা ঐনি”** শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি, অইবা অসি কনানো অমসুং মহাক্কী শৈরেং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?
৫) **“অশিবা হুরানবা”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।